





৬ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব–জুনিয়র নেসনেল হোক্কি চেম্পিয়নসিপ মেন দিভিজনগী ঙরাং গ্রুপ দি গী অসাম হোক্কি অমদি হোক্কি কুর্স কারনটকা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা

১৮ শুবা চেলেছ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টগী গ্রুপ এ গী আই ভি এফ এ কাঞ্চিপুর অমদি ভি ভি এফ এ এম কঞ্চিপুরনা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা

## ৬ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব–জুনিয়র নেসনেল এ অমদি বি দিভিজন চেম্পিয়নসিপ

### হোক্কি মধ্য প্রদেসনা হোক্কি গুজরাট গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙবা য়াবগী ফিভমদা লৈখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৮ ঃ**

হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক এষ্ট্রো তর্ফ হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব–জুনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ এ অমদি বি দিভিজন ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা বি দিভিজনগী শান্নখিবা গ্রুপ বিগী লিগ মেটচতা হোক্কি মধ্যা প্রদেসনা বেঙ্গল হোক্কি এসোসিয়েসন গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীরগা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা য়াবগী ফিভমদা লৈখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লিগ মেটচশিংদা ছতিসগর হোক্কি অমদি মুম্বাই হোক্কি এসোসিয়েসন গোল ১–১ দা দ্রো ওইখ্রে।

হোক্কি মধ্যা প্রদেসনা হোক্কি গুজরাট গোল ৫–৩ দা, বেঙ্গল হোক্কি এসোসিয়েসন্না হোক্কি মধ্যা ভারত গোল ২–০ দা , হোক্কি বিহারনা সিটিজন হোক্কি ১১ দিল্লি গোল ১৫–০ দা অমদি অসাম হোক্কিনা হোক্কি কুর্স করনাট্টা গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ এ গী ছতিসগর হোক্কিগা মুম্বাই হোক্কি এসোসিয়েসন্না শান্নখিবা মেটচতা গোল ১–১ দা দ্রো ওইখি।

মুম্বাই হোক্কি এসোসিয়েসনগী রাজ পাটিলনা ৪২ শুবা মিনটতা অমদি ছতিসগর হোক্কি গোলনা সোনো লিসৎনা ৬০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

পুল বি গী হোক্কি মধ্যা প্রদেস অমদি হোক্কি গুজরাটনা শান্নখিবা মেটচতা হোক্কি মধ্যা প্রদেসনা গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি। হোক্কি মধ্যা প্রদেসকী গোলশিং অদু গৌরাব ত্রিপাথিনা ৫৪, ৫৭ অমদি ৬১ শুবা মিনটতা অহুম , বসিট অলি অমদি অদিত্যা চাত্রিনা ২ অমদি ১৮ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

হোক্কি গুজরাটকী গোল অহুম অদুনা শ্যাম প্রকাস য়াদব, কেপ্টেন মানথন পটেল অমদি দুসিয়ন করিয়ানা মথংশিৎনা ৩৫,৫২ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

বেঙ্গল হোক্কি এসোসিয়েসন অমদি হোক্কি মধ্যা ভারতন্না শান্নখিবা অতোপ্পা গ্রুপ বি গী মেটচতা বেঙ্গল হোক্কি এসোসিয়েসন্না গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

বেঙ্গল হোক্কি এসোসিয়েসনগী গোল অনী অদু কমল পোল অমদি গৌতম শর্ম্মানা ৬৪ অমদি ৬৬ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

গ্রুপ দি গী শান্নখিবা মেটচতা অসাম হোক্কিনা হোক্কি কুর্স করনট্টা গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি। অসাম হোক্কিগী গোলশিং অদু অরুন সহানিনা ২৫ অমদি ৬৭ শুবা মিনটতা অনী, মনিস সহানিনা ৬২ অমদি ৬৯ শুবা মিনটতা অনী অমদি রহুল বর্ম্মা ৯ শুবা মিনটতা অমা চনখিবনি।

হোক্কি কুর্সকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সুকলিয়ান মোদলনা ২৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

হোক্কি রাজস্থান অমদি মুম্বাই স্কুল স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শান্নখিবা মেটচতা হোক্কি রাজস্থান্না গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

হোক্কি রাজস্থানগী গোলশিং অদু কুলজিৎ সিংহ, চেতন য়াদপ, রোহতাস অমদি রোমিটপালনা মথংশিৎনা ৩, ২৪, ৪১ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

মুম্বাই স্কুল স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী গোল অনী অদুনা ক্লিবাট মিলর অমদি মিহির পাটিলনা ১২ অমদি ৩৬ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা গ্রুপ এ গী মুম্বাই হোক্কি এসোসিয়েসনগা গৌৰান হোক্কিগা, অনীশুবা মেটচতা কেরেলা হোক্কিগা হোক্কি উত্তরখন্দগা, অহুমশুবা মেটচতা গ্রুপ বি গী হোক্কি ভোপালগা বিদ্রবা হোক্কি এসোসিয়েসনগা মরিশুবা মেটচতা হোক্কি গুজরাটকা হোক্কি মধ্যা ভারতকা , মঙাশুবা মেটতা গ্রুপ সি গী হোক্কি পুদুজরিগা হোক্কি মীজোরামগা অমদি হোক্কি হিমাচলগা নমধারি ১১ দিল্লিগা শান্নরগনি।



POINT TABLE GROUP A

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| CHHATISGARH HOCKEY | 2 | 1 | 1 | 0 | 7 | 2 | 5 | 4 |
| HOCKEY UTTARAKHAND | 2 | 1 | 1 | 0 | 7 | 1 | 5 | 4 |
| KERALA HOCKEY | 2 | 1 | 0 | 1 | 6 | 6 | 0 | 3 |
| THE MUMBAI HOCKEY | 2 | 0 | 2 | 0 | 3 | 3 | 0 | 2 |
| GOANS HOCKEY | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 10 | -10 | 0 |

POINT TABLE GROUP B

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| HOCKEY MADHYA PRADESH | 3 | 3 | 0 | 0 | 16 | 5 | 11 | 9 |
| BENGAL HOCKEY ASSN | 3 | 2 | 0 | 1 | 10 | 4 | 6 | 6 |
| HOCKEY BHOPAL | 2 | 2 | 0 | 0 | 8 | 2 | 6 | 6 |
| HOCKEY GUJARAT | 3 | 0 | 0 | 3 | 7 | 17 | -10 | 0 |
| VIDARBUA HOCKEY ASSN | 2 | 1 | 0 | 1 | 8 | 9 | -1 | 3 |
| HOCKEY MADHYA BRARAT | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 12 | -12 | 0 |

POINT TABLE GROUP C

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| DADRA & NAGAR HAVELI | 2 | 2 | 0 | 0 | 23 | 0 | 23 | 6 |
| NAMDHARI XI | 2 | 2 | 0 | 0 | 11 | 1 | 10 | 6 |
| HOCKEY JAMMU & KASHMIR | 2 | 2 | 0 | 0 | 8 | 1 | 7 | 6 |
| HOCKEY PUDUCHERRY | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 26 | -26 | 0 |
| HOCKEY HIMACHAL | 2 | 2 | 0 | 2 | 0 | 10 | -10 | 0 |
| HOCKEY MIZORAM | 2 | 0 | 0 | 2 | 22 | 6 | -4 | 0 |

POINT TABLE GROUP D

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| HOCKEY RAJASTHAN | 2 | 2 | 0 | 0 | 6 | 3 | 3 | 6 |
| ASSAM HOCKEY | 2 | 1 | 1 | 0 | 7 | 3 | 4 | 4 |
| HOCKEY COORG KARNATAKA | 2 | 1 | 0 | 1 | 9 | 6 | 3 | 3 |
| HOCKEY BIHAR | 1 | 0 | 1 | 0 | 2 | 2 | 0 | 1 |
| CITIZEN HOCKEY DELHI | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| MUMBAI SCHOOL SPORTS | 2 | 0 | 0 | 2 | 3 | 12 | -7 | 0 |

## ই এস য়ু তেলৌ না ব্রিন্নর ওইখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৮ ঃ**

ই এস য়ু তেলৌনা অনীশুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ব্রাইজ মেনস ওপন ৭ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ব্রিন্নর ওইখ্রে।

এফ সি লম্লাই ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা হৌখিবা এপ্রিল ১৭ তগী টিম ১৮ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা এল এস আই সি প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা অনীশুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ব্রাইজ মেনস ওপন ৭ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ই এস য়ু তেলৌনা বি এস য়ু ককচিং গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীরগা ব্রিন্নর ওইখিবনি।

ই এস য়ু গী গোলশিং অদু সুনিলনা ১২, ১৯ অমদি ২৪ শুবা মিনটতা ৩, কিরন, ইবোতোম্বা অমদি এ অজয়না মথংশিৎনা ২০, ৩৬ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

## ব্রাই দব্লিউ সি না ব্রাই এস সি থোইখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৮ ঃ**

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম লুৱাং শঙবমদা চত্থরিবা অহুমশুবা এম সি এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ব্রাই দব্লিউ সি পাটসোইনা ব্রাই এ সি য়াইস্কুল রন ৫৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা ব্রাই দব্লিউ সি গী প্রমেশ্বরনা বোল ৫০ দা রন ৫০ অমদি ৱিকেট অহুম লৌদুনা তাখি।

মেটচ অদু ব্রাই দব্লিউ সি না তোচ ঙম্লগা হান্না বেটিং খনখিবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ৩৫ গী মনুংদা ওভর ৩০.১ দা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা রন ১৪৬ লৌখি।

ব্রাই এ সি না অনীশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা ওভর ২৩.২ দা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা ব্রাই দব্লিউ সি না থল্লমখিবা রন ১৪৭ কী পান্দম অদু রন ৯৩ লৌরগা ওল আউত ওইবদগী রন ৫৩ দা মায়থিখিবনি।

হয়েং ব্রাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি থাউ থাংমৈবন্দ শান্নরগনি।

## ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৮ ঃ**

ৱেষ্টন স্পোটিং ক্লব ঙাইরংবম ইম্ফাল ৱেষ্টনা ঙসিদগী দব্লিউ এস সি ফুটবোল ফিল্ডদা টিম ২৩ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা অনীশুবা ৭ এ সাইদ ভিলেজ ব্রাইজ ওপন টুর্নামেন্ট ২০১৬ হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ সি গী মেটচতা দব্লিউ এস সি এ ঙাইরাংবম্মা য়ু দি ও লাইরেঞ্জম সাবম গোল ৮–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

দব্লিউ এ সি এ গী গোলশিং অদু দিঙ্কুনা ১৮, ৩৯ অমদি ৪৭ শুবা মিনটতা অহুম, কে ঐচ অমরজিৎ, এন জি জেনিস, দব্লিউ রজয়, সুরজিৎ অমদি পি রজিপ্পা মথংশিৎনা ৪, ২৪, ২৯, ৪৮ অমদি ৫০ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

য়ু দি ও গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দব্লিউ এস সি এ গী রজয়না আউন গোলদা ২০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

## নিলামনি চেছ হৌখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৮ ঃ**

শিংজমৈ চেছ ক্লবনা শীন্দুনা ঙসিদগী মণিপুর কলেজদা ২১ শুবা ব্রাই নিলামনি মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৬ শান্নরোই ৪৩ না শরুক য়াদুনা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা রেটেদ প্লেয়র ১৮ না শরুক য়ারি। রাউন্দ ৭ তা শান্নগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা রাউন্দ শান্নবা লোইবা ফাওবদা অহানবা অমদি ২ শুবা সিদেটতা লৈরিবা কে ঐচ সজয় অমদি বঙ্কিম য়াওনা সেক্সপিয়র এল, ও নিংথেম, টি চিতরঞ্জন, ই সচিকন্তা, কে এম সিংহ, আর কে সুধিরসনা,এস রোরেস, রোনাল্ড সোইবম, এন চা য়োহেম্বা, কে প্রদিপ, নুংশিথোই এন জি, কে ঐচ এমসন, ঐচ মণিতোন অমদি কে ঐচ ওলেন্না মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীরগা পোইন্ট অমমম ফঙখ্রে।

## ১৮ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

### এফ ভি দব্লিউ এ অমদি য়ু ভি এস এ ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ০৮ ঃ**

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা ১৮ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এ অমদি বি গী লিগ মেটচশিংদা এফ বি দব্লিউ এ মপাল কাংজৈবুং অমদি এফ সি ইম্ফাল ময়াই কোইবী গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে। এফ ভি দব্লিউ এ না মেটচ ৪ দগী ৩ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইরগা পোইন্ট ১০ ফঙলগা গ্রুপকী ব্রিন্নর ওইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা দ্রো ওইখিবা এফ সি ইম্ফালনা মেটচ ৪ দগী মেটচ ২ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা পুন্না পোইন্ট ৮ ফঙলগা রন্নর্স অপ ওইরগা ক্বাটর ফাইনেল চঙলগনি।

গ্রুপ বি গী শান্নখিবা মেটচতা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা ভি এস এ আই না মেটচ মরি শান্নখিবদা মরিমক মায় পাক্লগা পোইন্ট ১২ ফঙদুনা গ্রুপকী ব্রিন্নর ওইরগা ক্বাটর ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা মায়থিখিবা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংনা মেটচ মরিদগী অহুম মায় পাক্লগা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা রন্নর ওইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙলগনি।



ঙসিগী অহানবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ এ গী লিগ মেটচতা আই ভি এফ এ কাঞ্চিপুর অমদি ভি বি এফ এ কৈশামপাৎ গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

আই ভি এফ এ না মেটচ মরিদগী অমা মায় পাক্লগা অনী দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ৫ ফঙলগা পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবদা লৈরি।

ভি বি এফ এ এম না মেটচ অহুম শান্নখিবদা অমা দ্রো ওইরগা পোইন্ট অমখক ফঙদুনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি। গ্রুপ অসিদা লৈরিবা এ ব্রাই এম এফ এ না মেটচ অহুম শান্নখিবদা অমত্তা মায় পাকপা ঙমদবদগী অরোইবা পোজিসনদা লৈরি।

গ্রুপ এ গী এফ বি দব্লিউ এ অমদি এফ সি ইম্ফালনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

গ্রুপ বি গী ভি এস এ আই অমদি য়ু বি এস এ না শান্নখিবা মেটতা ভি এস এ আই না গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা ব্রিন্নর ওইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙখিবনি। ভি এস এ আই গী গোল অদু কে ঐচ রতনকুমার অমদি সি ঐচ অনন্দকুমারনা অমমম চনখিবনি। য়ু ভি এস এ গী অদুনা ব্রাই জোতিন্না চনখিবনি।


ADMISSION STARTS ADMISSION STARTS

NEW BATCH NEW BATCH

MPSC's CIVIL SERVICES (PRELIMS)

GENERAL STUDIES

CLASS STARTS: 15TH APRIL 2016 ••• TIMING: 6.30 AM - 9.00 AM

ONLINE MOCK TEST

FOR BANK PO/MT/ASSISTANTS & OTHERS

CONDUCTED BY SBI, IBPS AND SSC

Registration starts : 21-3-2016; Date of Mock Test: 4-4-2016 onwards; Timing: 11.00am to 1.00pm

For MPSC Optional Subject

Public Administration

CLASS STARTS: 10-03-2016

TIMING: 9.15am - 10.45am

6 MONTHS CERTIFICATE COURSE ON

Basic Computer Applications

CLASS STARTS: 30-03-2016

TIMING: 9.00AM - 10.30AM

For limited seats For limited seats

Proactive Academy

For a Bright Future

of Competitive Examinations (PACE)

KWAKEITHEL, IMPHAL

PHONE: 9206319209

SL/Bill/ 3 April X 30 days



Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*